থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# গভর্ণমেন্ট’না ইন্দিভিজ্যুঅল অমগা মূন্নবা - ২

দিশা সল্যান মীশিসিগা মরী লৈনবা এফ আই আর অমত্তসু পুলিসনা রেজিষ্টর তৌখিদে। কদাইদা কমদৌনা শিবনো? শিদ্রিঙৈ ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবরা? পার্টি তৌরিঙৈ মনুংদা করি করি থোকখিবগে হায়বনচিংবা লংলা-লংজিন খঙবা য়াবা ইভিদেন্স পূম্নমক পুলিসনা অতম্ননা মাঙহনখ্রগা, মীশিসিদা অতোপ্পা কনা চেন্নবগী খুদম ফংদে, কেস অসি থূপচিনখ্রগনি হায়রকপা, মরাল লৈবা মীশক অদু পুলিসনি হায়না খুদোম্বী থিল্লকপা হৌনশানি।

থৌদোক্তুগী মতুং, তরুকনি-চনবা নুমিৎ, জুন ১৪-১৫ লোন্নবা নোংয়াই মতুংদুদা মচিন তুমখৎলক্লিবা বোল্লিৱুদ এক্টর সুসান্ট সিংহ রাজপুত’পুসু মঙকশমদা থৌরিনা লাকহত্তুনা হাত্তোল্লগা থল্লমখি। মহাক্কী মেনেজর ‘দিশা সল্যান শিরে’ পাউ তাবদা ‘মখোয়না ঐবুসু লেম্না থাররোই, হাৎখ্রগনি শোয়দনা’ ... ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎলম্বা, কনানসু লূম্না লৌখিদে, তাবীখিদে কনানা। দিশা সল্যান মীহাৎ’তগী সুসান্ট সিংহ হাৎপা ফাওবদা চথরক্লিবা মুম্বই পুলিসকী ৱাওই থওইদবা মতৌ, হেন্না ময়েক শেংলকপদু অর্নব গোশ্বামিগী রিপব্লিক টি ভি অমদি রিপব্লিক ভারত অনীনা অখন্নবা ইনভেষ্টিগেটিব রিপোর্টিং তৌরকখি। নোংমদা পুং ২৪, মতম খরদি ইস্যু’সিতবু নৈনখি। উদ্ধব থাক্রে- মিনিষ্ট্রিদা য়াওরিবা মিনিষ্টর অমা চেন্নরম্বা য়াবগী ৱাফম পুথোক্তুনা ঙাঙনরকখি। ‘বেবি পেঙ্গুইন’ মিঙ্গৌদুনা সী এমগী মচানুপা, অদিত্য-থাক্রে’দা খুদোনবী থিল্লকখি। মীহাৎতুগী (মীশিদুগী) মতুং নুমিৎ ৬৫নি চূপ্না এফ আই আর লোজ তৌখিদবা, বিহারদগী পুলিস ওফিসর (এস পি) অমা কেসতুগা মরী লৈননা থিজিনবা চৎলুবা, মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্ট’না ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লগা মথৌ তৌদনা হলহনখিবা, পাটনাগী পুলিস ষ্টেসন অমনা লৌখৎলকপা এফ আই আর অমদা য়ূম্ফম ওইরগা ‘সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন’ দা কেস অসি শিন্নদুনা থিজিনহল্লকপা, এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অমদি নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো য়াওশিল্লকপা... মায়কৈ কয়াদগী তকখৎলক্তুনা মরাল লৈবা মী পূম্নমক চেনবা য়ারক্লোইদবগী তানফম অমা লাকখিবদু ‘অর্নব গোশ্বামি’ অমদি মহাক্কী টিম অদুনা মরম ওইরগনি খন্দুনা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্ট’না মুম্বই-পুলিস-কম্মিস্নর ‘পরমবীর সিংহ’ দা গোশ্বামি অমসুং কাঙবুবু পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা ঙম্বমখৈ ওৎ-নৈদুনা লাক্ননবা শক্তি শিন্নখি। পান্দমদি - মশামক্কী কম্পনি, ‘রিপব্লিক টেলিভিজন ন্যুজ নেটৱর্ক’ মূখৎনবা লৈঙাক অমনা হোৎনরকপদু কন্ননবা লাক্লরিঙৈ অর্নব গোশ্বামিগী কাঙবুদু কেস’সিগী রিপোর্ট মীয়ামদা তম্বা ঙমদনবনি। মপুনা চানবা, অথৌবা হুই অমগুম পরমবীর সিংহ’না লৌখৎলকখিবা থৌরাং অমদি এক্সন’শিং - বোল্লিৱুদকী কম্মর্সল ফিল্ম অমগী চেকশিন্দবা প্লোট অমগুম্বনি।

রিপব্লিক টি ভি অমদি রিপব্লিক ভারত, লমদমসিগী মীয়াম্না খ্বাইদই য়াম্না য়েংবা, নম্বর ৱান চেন্নেল’নি হায়না ক্লেম তৌরিবা, টেলিভিজন রেটিং পোইন্ট (টি আর পি) অদু অরানবা (শেমজিন-শাজিনবা) নি, মীয়ামদা নমথাক তৌবনি, ‘শ্রী অর্নব মনোরঞ্জন গোশ্বামি অয়েংবশিংদা শেল পীজদুনা ‘টি আর পি’ দা নমথাক তৌবগী মরাল লৈরে’ হায়দুনা, পরমবীর সিংহ’না ওক্টোবর ৮, ২০২০দা প্রেস কনফরেন্স তৌদুনা ফোঙদোকখি। প্রেস পূম্নমক কৌরগা রিপব্লিক টি ভি’বুদি কৌখিদে। মসিগী মতুং তারকপদা পরমবীর সিংহ’না রিপব্লিক টি ভিগী মথক্তা চখুরকখিবা পুলিস এক্সন অমদি হরাসমেন্ট, লমায় চান্মা ইরবসু মরীক চূম্না ইঙল্লোই। হনসা (হঙস) রিসর্চ গ্রুপ’না থিজিন-হুমজিন তৌবগী রিপোর্ট (এফ আই আর) অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা লৌখৎলকখিবা কেস’নি, রিপোর্ট অদুদদি রিপব্লিক টি ভিগী মমিং পন্দে হায়বসি কোর্ট’নসু রেকোর্দ তৌখ্রবনি। অদুমক্তদা পুলিস-এক্সন লেপখিদে। অর্নব গোশ্বামি’না উদ্ধব থাক্রেগী মিং শীজিন্নবদা ‘জি’ হায়বা সফিক্স শীজিন্নদুনা কৌদে, ইকায়খুম্নবা উত্তে হায়দুনা খুদক্তা নোটিশ পীদুনা পুংখায় অমগী মনুংদা এসেমব্লি’দা কারক্লবা খঙহনখি। রিপব্লিক টি ভিগী এদিটর ১০০০গী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌদুনা পুং ২৪গী মনুংদা মুম্বই-পুলিস’তা রিপোর্ট তৌনবা নোটিশ থাখি। এন সী পিগী শক্লাইবা লুচিংবা অমনসু ‘অর্নবকী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ওৎপদগী খাঙবা ঙমদদুনা নোংমদি সুইসাইদ তৌদুনা শিগনি’ ফোঙদোকখি। পূম্নমক অরেম্বা তারক্লবদা, নবেম্বর মরিগী নোংঙাল্লমদাইদা মুম্বই পুলিসকী এনকাউন্টর স্পেসলিষ্ট অমনা লুচিংবা, মখূত্তা এ কে ৪৭ পায়বা পুলিস ৪০গী টিম অমা থাদুনা ফাগৎখি - চহী অনীগী মমাঙদা থিংজিনখ্রবা সুইসাইদ কেস অমদা, অর্নবকী মিং (সুইসাইদনোট অদুদা) পল্লম্মী হায়দুনা। লৱর কোর্ট (রাইগর চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেৎ) না, থিংজিনখ্রবা পুলিস কেস অদু হিংগৎহনখিবদু অরানবনি, ফারিবদুমক আইন’না য়াদবনি হায়না হায়না বোম্বে হায় কোর্ট’না বেল (জামিন) পীখিদে, অহোইনদুম তমথীরবা ক্রিমিনেলশিং-থমফম ‘তলোজা জেল’ দা থাজিনখি, জেলদা লৈনা লৈনা মোবাইল ফোন শীজিন্নরম্মী হায়বা চার্জ তৌশিন্দুনা কেস অদু সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরকখি। নবেম্বর ১১, সুপ্রিম কোর্ট’না লেন্দমার্ক জজমেন্ট পীরদুনা, অর্নব গোশ্বামি’বু কৈশুমশঙদগী থাদোক্লবা য়াথং তৌখি। মিষ্টর গোশ্বামি- নেসনল হিরো অমগুম তলোজা-জেলদগী থোক্লকখি।

ৱাথোক অসিগী ৱারীবু ৱারেং ওইনা ইনীংলুবই মরমসি-অর্নব গোশ্বামিগী মীচং ওইবা/ওইদবগী ৱা নত্তে, লৈঙাক ওথোরিটি অমনা লন্নাই-মীওই (ইন্দিভিজ্যুঅল) অমগী মফমদা অকন-অরিং শকপা, লমন খুম্বই থৌওং চখুরকপদু য়ানীংদবা ফোঙনীংলুবনি। সুপ্রিম কোর্ট’না, বেল-পীবই মরম পীরদুনা নবেম্বর ২৭তা হায়খি ... ‘ক্রিমিনেল লো হায়বসি, লৈবাকসিগী সিটিজেনশিং মরক্তগী অমবু নৎত্রগা খরবু খন্দোক্তুনা হরাসমেন্ট পীনবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্ননবা নত্তে ... লৈবাকসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি কোর্ট খুদিংমকসু চপ মান্নে - সেসন কোর্ট, দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট, হায় কোর্ট, সুপ্রিম কোর্ট - খেন্নবা লৈতে অমত্তনি, মীয়ামগীদমক মতম চূপ্পদা থোঙ হাংগদবনি ... ঐখোয়না ঙসি নৈনরিবসি নাগরিক অমগী নীংতম্ব’দুনি, ৱাথোকসিদা ঐখোয়না খূৎ থিংজিল্লমদবা থোল্লবা করিগুম্বা, লৈবাকসিগী ইন্দিভিজ্যুঅল সিটিজেনশিংগী নীংতম্বদা মেনশিনবা ৱারবা অমাঙ অতা থোল্লমগনি ... কনাগুম্বা অমগী ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, মওং-মতৌ পামদবা য়াই, ৱাখল-ফিদম খেন্নবা য়াই, অদুবু মঙোন্দা ষ্টেটকী লৈঙাক ওথোরিটিনা অকন-অরিং উত্তুনা, শক্তি শীজিন্নবা য়ারোই... পামদ্রবদি মহাক্কী চেন্নেল য়েংলুনু’...। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টরদা অপান্ননা হায়বগুম্বনি।

পাউজেল অসি ময়েক শেংই। খঙদবা/তাদবা, ৱাখল-শেরান্নবা লৈরমখিগদরনে? ’সিদসু ৱাখল তাদ্রবা, মহারাষ্ট্র লৈঙাক! কুইররোই, পুন্সি-নুমিৎ কল্লগনি। মচেক ওইনা পানবা, মঙক কনবা লৈঙাক লুচিংবা অতৈসু য়াওরমগনি শোয়দনা।

লৌশিং পুক্কে

# নুপা ওইবশিংগী পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেল-১

নুপী ওইবীশিংগী পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেল (মেন্টল হেল্থ)গী মতাংদদি মীওই কয়ানা তোয়না খন্না-নৈনরি। অদুবু নুপা ওইবশিংগী পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেল অসিদি কয়া থৌশানরুদবা হীরম অমা ওইরি।

নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা পুক্নীং ৱাখলগী হকশেলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা থেংনৈ। অদুমওইনমক, পুক্নীং ৱাখলগী হকশেলদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা ইস্যুশিং অমদি ইস্যুশিং অদুবু ইনফ্লুএন্স তৌরিবা ফেক্টরশিং অদুদি নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খন্নবা য়াবা খেন্নবা খরদি লৈ।

নুপাগী পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেলদা শোকহনবা কম্মন ওইবা ইস্যুশিং অমদি ফিভমশিংগী মতাংদা মখাদা পীরি।

মেন্টল হেল্থ ইস্যুশিংনা নুপাশিংবু তোঙানবা মওং অমদা শোকহল্লি। নুপা অমসুং নুপীশিংবু মেন্টল হেল্থ ইস্যুশিংনা মান্নদবা মওংদা শোকহনবগী মওংশিং অদু মখাদা পীরি:

**খুদোংচাদবা থেংনবা অমসুং সুইসাইদ তৌবগী চাংদা খেন্নবা**

পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবা থেংনবগী চাং অসি নুপাদগী নুপীদনা হেনবা য়াই। সুইসাইদ এটেম্প তৌবগী চাংসু নুপীনা হেনবা য়াই। অদুমওইনমক সুইসাইদ তৌবদা শিবা য়াবগী ওইথোকপদি নুপীদগী নুপানা শরূক ৩.৫ হেল্লি। মসি নুপাশিংনা মী শিবা য়াবগী চাং হেনবা খূৎলাইশিং খুদম ওইনা নোংমৈগুম্বা শীজিন্নগনবনা ওইবা য়াই।

**পুক্নীং ৱাখলগী খুদোংচাদবা থোকহনবা ফেক্টরশিংদা খেন্নবা**

নুপাশিংগী ইস্যুশিং অসি তোঙান তোঙানবা মরমশিংদগী ওইরকপা য়াই অমদি নুপীশিংদা এফেক্ট তৌরিবা অদুদগী হেন্না ট্রিগর তৌবা য়াই।

খুদম ওইনা নুপাশিংনা থেংনবা ইস্যুশিং অসি অনম্বনা খুন্নাইনা মখোয়দা থল্লিবা থাজবা, ট্রেদিসনেলগী ওইবা নুপীশিংগী থৌদাংশিংদগী ওইরক্কল্লী। অসিগুম্বা মচাকশিং অসিনা মরম ওইরগা নুপাশিংদা ইমুংগী পুকচাক পুবা মীওই ওইগদবনি; ট্রেদিসনেলগী ওইবা নুপাগী মতীক (খুদম ওইনা পাঙ্গল অমদি কন্ত্রোল তৌবা ঙম্বনচিংবা) উৎপা ঙমগদবনি; মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙমগদবনি অমদি অতোপ্পগী মতেং লৌরোইদবনি; মশাগী পুক্নীংদা ফাওবা অৱা-নুংঙাইগী মরমদা ফোংনা হায়রোইদবনি হায়বনচিংবা ফাওহল্লি।

অসিগুম্বা ট্রেদিসনেলগী ওইবা থাজবা অসি ঙাকপনা নুপাশিংগী মেন্টল হেল্থতা চৈথেং পীরকই অমদি অতোপ্পদগী মতেং লৌবা অমদি লায়েং চখুবনচিংবা তৌগদবসু তৌহন্দে।

**মতেং লৌবগী মতাংদা খেন্নবা**

পুক্নীং ৱাখলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং খুদম ওইনা দিপ্রেসন, দ্রগ লান্না শীজিন্নবা, পুক্নীং ৱাখল য়াম্না কা হেন্না ৱানীংঙাই ওইবা পুন্সিগী থৌদোক থৌরমশিংগীদমক মতেং লৌবা অমদি লায়েং চখুনবা হোৎনবগী চাং অসি নুপীদগী নুপানা য়াম্না শাথিনা ৱাৎলি। মেন্টল হেল্থ অমেরিকাগী মতুংইন্না মসি খুন্নাইদা লৈরিবা চৎন-লোনচৎশিং; ৱারী শাদোকপা পামদবা; মখোয়দা থেংনরিবা লাইওংশিং অদুবু থৌশারুদবা অসিনচিংবদগী ওইরকপনি হায়রি।

নেসনল হেল্থ ইন্টর্ভিয়ু সর্ভে অমগী মতুংইন্না নুপা অহুমগী মনুংদা অমখক্তংনা নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা দিপ্রেসন নৎত্রগা এঞ্জাইটিগী হীদাক-লাংথক শীজিন্নৈ, অদুগা নুপা মরিগী মনুংদা অমখক্তংনা মেন্টল হেল্থ প্রোফেসনেলশিংগা তান্নৈ হায়রি।

পুক্নীং-ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়না লৈবগী খুদম অমদি লাইওংশিং অসি লায়না মখলগী মখা পোল্লি। অদুবু য়েংবা য়াবা লাইওং খরদি লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা খৎনা-চৈনবা পাম্বা, অশাউবা, ইরিটেবিলিটি; মুদ নৎত্রগা ইনর্জি লেবেল অহোংবা লাকপা; অরাম-খৌরাংবা নৎত্রগা তূম্বগী হৈনবীদা অহোংবা লাকপা; পুক্নীং চঙবা ঙল্লক্তবা; পোথাফম খঙদবা নৎত্রগা লৈতাফম খঙদবা; য়ু য়াম্না থকপা; খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থবক থৌওংদা শরূক য়াবা; ৱাখল নুংঙাইতবা, লম্বী উরক্তবা, হৈনিংদবা ফাওবা; চপ চাবা মরম খঙদনা হকচাং চীকপা নাবা নৎত্রগা অতোপ্পা ফিজিকেল সিম্পটোমশিং লৈবা; ওবসেসিভ নৎত্রগা কম্পলসিব ওইবা ৱাখল নৎত্রগা থৌওং; অতোপ্পদা অকায়বা পীবা য়াবা মওংগী, নৎত্রগা থবক মফমদা, খুন্নাইদা নৎত্রগা ইমুং মনুংদা অকায়বা পীবা মওংগী ৱাখল খনবা নৎত্রগা থবক তৌবা; সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল খনবা নৎত্রগা তৌনবা হোৎনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

কনাগুম্বা মীওই মীওইদা হায়রিবা অমনা মশাদা নৎত্রগা মাগা নক্লবা অনা-লায়েংগী মতেং লাইওংশিং অসি লৈবা উরগদি পুক্নীং ৱাখলগী লৌনবা হোৎনগদবনি।

লায়েংহৌরবদি লায়নাশিং অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা লুশিল্লক্কদবদগী অনম্বনা লাইওংশিং অদু ফিভম খুদোংচাদবশিংগী চাং কনবা ঙম্মী অমদি থেংনরক্কদবা হন্থহল্লি।



# কোভিদনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদগী শেল লৌবগী মহুৎ মতেং পাংহন্নিংই : রাকেশ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯না নারগা লৈখিদ্রবা ইমুং-মনুংদগী আই এম সীনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুবু পোৎলোয়বা মতমদা লেবর চার্জ অমদি ক্রিমেসন চার্জ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ লৌরিবা অসিগী মতাংদা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি লৈঙাক্কী মরি লৈনবা ওফিসলশিংনা য়েংশিনবিয়ু হায়না ঙসি ইম্ফালদা লৈবা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাউরেমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমা, মপা নৎত্রগা মচা-মশু কায়নবগী ৱারিবা ইমুংশিংদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবগী মহুৎ অৱাবা তারবা লৈখিদ্রবগী লৈহৌরিবা ইমুংগী মীওইশিংদা হেন্না অৱাবা পীবগী থৌওং অসি অপেনবা ওইদে। লৈঙাক্লা অৱাবা তারবা ইমুংদা তেংবাঙ ওইনা পীহন্নিংই। হন্দক ইকুই কুইদ্রিবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর মশামক্ল া কোভিদ-১৯না শিহল্লবশিংগী ক্রিমেসন চার্জেস ফ্রি ওইহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ৱাংখৈ পুখ্রম্বম লৈরক্তগী সনাবম তোম্বি কৌবা চহী ৯০ রোম শুরবা অহল অমা লৈখিদবগী পোৎলোয়বগী লেবর অমদি ক্রিমেসন চার্জেস ওইনা এম দি অনৱর অলি কৌবা আই এম সীগী জমান্দার অমনা এ পি আর অমদা সাইন তৌরগা লুপা লিশিং ১৫ লৌখিবগী থৌদোক থেংনখিবনি। থৌদোক অসি খক্তা নত্তনা হৌখিবা নবেম্বর ২দা জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবা তেম্থা খিংবালদগী সনসম রোমেবা কৌবা মীওই অমগী মথৌ মঙম পাঙথোকপগী চার্জেস ওইনা আই এম সীগী মীওইশিংনা লুপা লিশিং ১৫গী মথক্তা লৌখি হায়বগী পেন্দবা ৱাকৎ লৈখিদ্রবগী লোয়নবিনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা মফম কয়াদগীসু হীরম অসিগী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিবু উবিদুনা মীয়ামগী য়াইফগদবা অখন্নবা কোভিদ-১৯গী পোলিসি অমা পুথোকপিয়ু। লোয়ননা তঙাইফদনা কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবশিংগী তোঙানবা মথৌ-মঙম পাঙথোকফম মফম অমসু থম্বিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা শরুক য়াখিবী হৌখিবা নবেম্বর ২৯দা রিমস হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা সনবম তোম্বিগী মচানুপী থিয়টর দিরেক্টর ডা. সনবম থানিললৈমানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অপোকপা লৈখিদবগী অৱা-মৈশা লাঙলিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী পোৎলোয়বগী চার্জনি হায়না আই এম সীনা এ পি আর অমা কক্তুনা লুপা লিশিং ১৫ নবেম্বর ৩০গী নুমিদাংৱাইরমদা লৌখি। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবা লায়রবা ইমুং ইমুংগী মীওইশিংদা পোৎলোয়বগী চার্জনি হায়না লুপা ১৫, ২০ নৎত্রগা ২৫ পুথোক্কদবনি হায়বদা করিগুম্বা শেল অদু পুথোকপা ঙমদ্রগদি অশিবা হকচাং অদু পোৎলোয়দনা অদুমক থমগদৌরিবরা নৎত্রগা হুন্দোক্কদৌরিবরা? অসিগুম্বা অৱাবা তারবা ইমুংগী মীওইদগী পোৎলোয়নবগী শেল লৌরিবা অসি অফবা খোঙথাং নত্তে। খোঙথাং অসি মীয়ামগী অৱাবা উবিরগা হন্দোকপীয়ু হায়খি।

লোয়ননা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নবেম্বর ২৯গী নুমিদাং পুং ৭.৪৫দা লৈখিদবা অপোকপা নবেম্বর ৩০গী নুমিদাং পুং ৪ ফাওবা রিমসকী ওথোরিটিনা দি সীদা রিপোর্ট থাদবনা মরম ওইরগা পোৎলোয়বগী প্রোসেস তৌবদা থেংথহনবা খক নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া লৈখি। রিমসকী ওথোরিটিনা দেথ বোদি অমগী দি সীদা রিপোর্ট থাবদা মতম য়াম্না করিগী লৌরিবনো? লমদম অসিগী চৎনবী অমা ওইনা লৈখিদ্রবা মীওই অদু পোৎলোয়দ্রিবা ফাওবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং করিগুম্বা অমত্তা চানদে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লমদম অসিগী অতোপ্পা ইমুং-মনুংশিংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে ঐচ ইবোমচানা হ্বিলচ্যের খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : লন্নাই কন্সটিট্যুসন এসেমব্লিগী মনুংচনবা য়ৌরবুংদা লৈবা শ্রিময়ুম চন্দ্রমনিদা এ সী অসিগী সোসল ৱর্কর অমদি বি জে পি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসু ওইরিবা কে ঐচ ইবোমচানা হ্বিলচ্যের অমা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। শ্রিময়ুম চন্দ্রমনি চহী খরগী মমাংদা বি পি ষ্ট্রোক তৌখিবদগী চৎপা ঙমদনা লৈরকখিবনি। চহী কয়া হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা ৱানা লৈরিবা অদুদগী খজিক মতেং অমা ওইনবা হায়দুনা হ্বিলচ্যের অদু খুৎশিন্নখিবনি।

চন্দ্রমনিগী য়ুমদা চৎতুনা ইচম-চম্না পাঙথোকখিবা হ্বিলচ্যের খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক-হৌজিক এ সী অসিদা লায়রবগী পনখৈদা নম্না লৈবা মরম্না অৱাবা-খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংবা মীওই কয়া অমা লৈরি। অদুবু লমদম অসিদা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবা লুচিংবা লৈতবা মরম্না ঙসিসু অদুমক ইচম-চম্বা পুন্সি মহিং অমদা হিংনরি। অদুবু মায়কৈ অসোমগী লৈত-লায়রবা মীওইশিংনা ৱানা হিংবা পুন্সি মহিং অসিদগী খজিক শাফনবা হায়দুনা তেংবাঙবগী থৌরম অসি এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। তেংবাঙ পীবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চহী কয়াদগী বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী চৎপা ঙমদনা লৈরকখিবা চন্দ্রমনিদা অচম্বা খুদোল ওইনা হ্বিলচ্যের অসি খুৎশিন্নবনি। তেংবাঙ থৌরমগী মখা চৎথরকপা ওইনা এ সী অসিদা লৈরিবা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবগী থবক চৎথখিগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## জিরিবামগী বাবুপড়াদা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাবুপড়াদা লৈবা টিপটীদস কনফরেন্স হোলদসু ৱিমেন হেল্থ ক্যের সর্ভিসেস, টিপটীদস জিরিবামনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম গ্লোবেল সোলিদরিটি স্যের রেসপোন্সিবিলিটি হায়বা থিমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর জিরিবাম এন বঙ্কিম, চীফ মেদিকেল ওফিসর জিরিবাম ডো. ঈ ওকেন্দ্রো অমদি হিল ঘাট গ্রাম পঞ্চায়ট জিরিবামগী প্রধান এল সোমরেন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর জিরিবাম এন বঙ্কিমনা ফোঙদোকখিবদা ৱর্ল্ড এইদস দে অসি মণিপুরগী মফম কয়াদসু পাঙথোক্লে। ঐচ আই ভি/এইদসনা নারবা মীওইশিংনা লোৎশিনবা তৌবীগনু হায়খি।

লোয়ননা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্সিএল স্পীচ পীরদুনা সী এম ও ডো. ঈ ওকেন্দ্রোনা হায়, পেন্দমিক্ল া ইখঙ খঙহৌদনা হৌজিক মালেম পূম্বদা চাউরাক্লা লৈবাক ২১০ রোমদা শন্দোরক্লি। হৌজিক হৌজিক চখুরিবা কোভিদ-১৯গী চপ চাবা হীদাক ঙসি ফাওবা পুথোকপা লৈত্রিবা মরমনা পূম্নমক্লা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুকয়াখিবা ঐচ আই ভি/এইদসনা নারবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু তেংবাঙখি হায়রি।

## সী পি আইনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): পাৎশোই এ সীগী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট টুদা পোকখিবা মণিপুর পুলিসকী মথৌ মশক খঙবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ওইরম্বা লিসম প্রেমচান্দনা মতম শাংনা নারল্লগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা পাৎশোই লোকল কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরচরি হায়না সী পি আই পাৎশোই লোকল কাউন্সিলগী সেক্রেটরি খুমুকচম জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## হোম স্থিট হোমদা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোম স্থিট হোমদা এম এল এস এস, আই দল্লিয়ু আর অমদি এফ আই দি য়ুগা খুৎশম্নদুনা গ্লোবেল সোলিদরিটি শ্যের রেস্পোন্সিব্লিটি হায়বা থিমদা ৱর্ল্ড এইদস দে ওবজর্ভেসনগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এস এসকী সেক্রেটরি ইনাউচা, লৈমকোনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙান্থোইবি অমদি আই দল্লিয়ু আরগী মেদিকেল ওফিসর দা. প্রিটি কাবেরি মাইবমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি। থৌরম অদুদা পিপল লিভিং ৱিথ ঐচ আই ভি/এইদস (পি এল ঐচ আই ভি)গী ওইবা হেল্থ কেম্প অমসু পাঙথোকখি। পি এল ঐচ আই ভিগী মীওইশিংদা হীদাক-লাংথক অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়**

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লোকদাউন থল্লুবদগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট তৌরিবশিং অমদি মসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। লোকদাউন হাংদুনা ষ্টেট মনুংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী থবক তৌবা য়াহনখ্রবা মতুং মসিদা তোংলিবা মীওই অয়াম্বদি তঙাইফদনা চৎতবা য়াদদুনা চৎনরিবা ঙাক্তনি। হৌজিক গাড়ি তোংবগী অতোংমল হান্নদগী শরুক ২/৩দি মফম অয়াম্বদা হেনগৎলে। অদুবু মফম অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তবা থেংনৈ। হান্না তোংঙলম্বা পেসেঞ্জরগী মশিংদি হন্থদনা গাড়ি অতোংমল হেন্না লৌবদি কনানসু য়ানিংলোই। গাড়ি অতোংমলগী শরুক অনী হেনগৎলবদি হান্না তোংহল্লম্বা পেসেঞ্জরগী মশিংসু শরুক অনী হন্থফম থোকপরা হায়না খল্লি। ঐখোয় মীওইবদি অমনা অমগী মপাল তাংদুনা হিংমিন্নরিবনি। কোরোনা ভাইরসতগীসু ঙাকথোকসি, মীগীসু খরা খনসি। হৌজিক ট্রান্সপোর্টনা চৎথরিবা থৌওং অসিদি মশাগী গাড়ি লৈজদবা লাইরবশিংদনা হেন্না-হেন্না অসুম চৈথেং পীবা হায়বদু থোক্লবরা হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী ওইরিবা ফীভম অসিদা কনানসু মরম লৈতনা গাড়িদা তোংলগা চৎপদি ওইরম্লোই। মসিগী খুদোংচাবা লৌরবরা হায়নসু খল্লি।



**ৱাহেংবম প্রেমচান্দ খুমনচা, শগোলবন্দ হৈনৌপোক**

নোং খজিক হেক তাবগা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিংদা ঈশিং ইচাউ হেক্তা থোকপগী থৌওং অসি হৌখিবা চহী কয়াদগী থোক্তুনা লাক্লি। হন্দকসু লৌ খাউদোক্লবা ফৌবোনশিং ঈশিং থুমজিনখিবা মরম্না লৌ লোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবগীদমক মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা নোংজু পান্থা য়ৌরকত্রিঙৈদা ঈশিং ইচাউগী অৱাবা থোক্তনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎহন্নিংই। মণিপুরদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী অয়াম্বা ইরোন থেনগৎলকপা মরমনা ঈশিং চাউবগী মরম অমসু ওইরিবনি। মরম অদুনা তুরেলগী ইরোন শেংদোকপা চঙই। লোয়ননা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা দ্রেনশিং মতিক চানা শেমগৎ-শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টেট অসিগী অথাপ্পা লোইজিং-লোয়াদা লৈবা মফমশিংবু হীরম কয়াদা চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম)নসু তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। লোয়ননা এম এস আর এল এমনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদসু লৈবাক মীয়াম্না খঙহন্নবগীদমক এৱ্যারনেসকী প্রোগ্রাম কয়াসু লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। পুন্না হোৎনমিন্নরবদি চাওখৎপা ষ্টেট শোয়দনা ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।১২।২০২০ইং, য়ুমশকৈশা;
হিয়াঙ্গৈগী ১৭নি পানবা।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি খোইরাংবনা শেল চৎপা নত্রগা কাইনবা য়াই। অদুবু মীংচৎ/শেল ফংগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা তানিংবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** অচুম্বতনা মায় পাকপা, পন্দুনা লৈরম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি লৌশিংতনা অঙম্ববু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। অফা অপুন্নবা অমদি হুরানবনা তাথিবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা থাজরদি ৱাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমিৎনি। মীয়ামগী মতেং পাম্লবদি ফংগনি অমদি অরং অরাক্কী লম্দা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** নিংথৌসু মৈতাল ৱাৎলি হায়নৈ-নচা ননাইগী মতেংনা কান্নগদবা নুমিৎনি। হেন্না অশা চাউবা অমদি নাপলনা মাঙগনি কাউগনু। থৌনাদি হনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈংথবনা লাকচগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**সিংহ :** শেল-থুমগী লম্দা চাওনা মায় পাক্কনি। অনিংবদুমক মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা পাংবা য়াগনি। খাংবা কনবগী কান্নবসু ফংজগনি। অহৈ অশিংতদি শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**কন্যা :** চিংনবা অমদি হুরানবনা শেন্নবা লৈরসু নীংবদি থুংগনি অমদি লাই গুরুনা শোইদনা চানবীগনি। লেংদবা লনসু তাশিনজবা ঙমগনি অমদি থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** ৱাখল ফাথবা ফগনি-নত্রবদি মীপাইবা নংবা য়াবসু লৈ। হরাওবা নুংঙাইবা, মীয়ামগী মতেং ফংবা নত্রগা মখোয়গা লোয়নবনা নুংঙাইজবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি অরং-অরাক মাঙবা য়াবা লৈ-ৱা য়াম্না ঙাঙগনু অমদি থৌয়াম পুগনু। য়ারগদি মরুপ মপাং লোয়নৌ, ঙাইঙমদবা তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্কী লম্দদি চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি। অখঙ-অহৈ শাগনু অমদি হুরানবনা ইমুংদা য়েংথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** মায় পাক্লনি, ৱাখল থোক্লনি অমদি অফবা থবক লায়না পাংবা ঙমগনি। অদুবু কিবা পোকপা অমদি হন্থবনা তাথীবা লৈরি। শেলগী লম্দা নীংহন্নগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নকন্থিনা মরল মাঙহঞ্জবা অমদি থাজদনা নক্লবনা নরলদা কল্লকপা লৈগনি-তপথৌ। ইচং থৌবা অমদি নিংহন্নদবনা অনিংবা অরুবা থবক লায়না পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**মিন :** অঙম্বনা তাথিগনি অমদি নচাক নরলগী লম্দা খোইশাওনগনি। চাদিংদি হন্থগনি অমদি অয়েৎ অপন লৈরম্বা কোকচগনি। মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।